এডিটোরিয়েল

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং

তৌগদবা থবকশিং হান্না মীয়ামদা লাউথোকপা চুমগনি

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ৫০ অসি তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীয়ামগীদমক পায়খৎননবা লিংবনি। হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিগী মনুংদা খরদি হকথেংননা মীয়ামগী থবক তৌই। অদুগা অতোপ্পা খরনা নাকোইননা থবক পাঙথোকই। চহী খূদিংগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোকপা বজেদতা দিপার্টমেন্ট খরগী ওইনদি মমিংখক্তগী শেল হাপ্পী। হাপ্লিবা শেনফম অদুসু চাউখৎ থৌরাংগী ওইনা তৌদে। শুপ্নতগী ইমপ্লোয়িশিং তলব পীননবা অমদি ওফিস অমা চলায়বদা চঙবা শেনফম অদুখক্তমক ওইহল্লি। মসিমক্না মখোঙ ৫০ পানবা গাড়ী অমদা মখোঙ খরা য়াদবদগী শোরো শোরো চিংলগা চৎপগী ফিভমদা লৈরি। খ্বাইদগী হেন্না মীয়ামগা নক্নবা মরী লৈনগদবা অমদি নুমিৎ খূদিংগী য়েংশিন্দবা য়াদবা দিপার্টমেন্ট খরা হায়বা তারগদি চীঙ্গাক্কা মরী লৈনবা কঞ্জুমর্স এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্ট, চখোক চৎশিন অমদি লম্বী থোংগা মরী লৈনবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, অনা লায়েংগা মরী লৈনবা হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার, তুংগী মীরোল শেম্নবগীদমক লৈরিবা হ্যুমেন রিছোর্স দিপার্টমেন্ট অমসুং লৌউ–শিংউবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অসিনি। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা তঙাইফদনা চঙবা ফোর্সশিংদি লৈঙাক্না অদুম মতম চুপ্পদা লুম্না লৌবদৌনা তৌই। অদুগা অতৈ মীয়ামগী য়াইফ–থৌরাংগী থবক পায়খৎপদনা মীৎয়েং ইচং চংদবদৌনা ৱাকৎ কয়ানা পিক থল্লি। মরম ময়াম অসি য়েংলুরগা লৈঙাক্না করম্বা দিপার্টমেন্টতা হেন্না মীৎয়েং চঙগদগে অমসুং মদুনা মীয়ামদা কয়াম য়াম্না খূদোংচাবা পীরিবগে হায়বসি নিংথিজনা য়েংশিনবা ঙম্বা লৈঙাক অমা লৈরবা মতমদতা থবকশিং অদুগী মহয় মীয়াম্না চাগদবনি। মদু নত্তনা লৈঙাক্কীদি তৌফম থোকপা তৌখ্রে, থবক পাঙথোক্তবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়না লাউথোকপখক্লদি থবক খূদিংমক মহয় চাগনি হায়বগী থাজনিংঙাই লৈরোই।

মণিপুর লায়রবা ষ্টেট অমনি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশামক্লসু নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মীফমদা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কিমশিংদা ষ্টেটকী সেয়র পুথোকহনবীগনু। ১০০ গী মনুংদা ১০০ গ্রান্ট ওইনা পীয়ু হায়না সেন্টরদা তকশিনখি। মণিপুরগী ওইনদি সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কিম অয়াম্বা চাদা ৯০ না সেন্টরনা পুথোক্লগা লেমহৌরিবা চাদা ১০ খক অদুনা ষ্টেটনা পুথোকপনি। শম্না হায়রবদা মণিপুর নুংশিবগীনি হায়দুনা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৯০ পীরকপদা মণিপুরনা ক্রোর ১০ পুথোক্তবা য়াদে। হায়রিবা লুপা ক্রোর ১০ অদু পুথোক্লিঙাই লৈতবদগী মরুওইবা থবক থৌরম কয়ামরুম পাঙথোকপদা খুরৌ থাংহল্লে হায়বা ৱাফমসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিমক্না তাক্লিবদি সেন্টরদা বি জে পি গী লৈঙাক অমসুং ষ্টেটতসু চপ মান্নবা বি জে পি গী লৈঙাক লৈরগদি অৱাৎ অপা লৈতনা পানগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু অরানবা ওইরে। সেন্টরনা পীনিংই হায়দুনা ষ্টেট অমদা শেল পংপী পীবা য়াদে। কাঙলোন খরগী মখাদা শেল পীদ্রগদি ফাইনান্সিয়েল দিসিপ্লিনদা অকায়বা লৈ। মসিমক্না লায়রখ্রবা মণিপুরদা সেন্টরগী শেলগী তেঙবাং য়াম্না লিক্না ফঙই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি রিছোর্স লৈতে, লায়রবা ষ্টেটনি হায়রগসু চহী অমগী ওইনা থবক খরদি তৌদবা য়াদে। মরু ওইনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেম্লিবা লম্বী–থোং, অনৌবা বজেদ অমা পুথোক্ত্রিঙৈদা নীংথিনা ময়েক শেংনা চহী অসিগী মনুংদা কিলোমিটর অশুক শাংবা লম্বী শেমগনি । থোংনা অশুক শাগনি। য়ূমনা অশুক শাগনি হায়বনচিংবা অকক্নবা মশীং পীরগা বজেদ শেল্লগদি থবক তৌবদসু লায়গনি অমসুং শেলগী চাদিং তৌবসু নুংঙাইগনি। মদু নত্তনা বজেদতা লম্বী–থোং শেম্বগীনি হায়না শেল হাপ্লগা চহী গী ৱার্ক প্রোগ্রামনা ফম্বোই ফমদবোই তৌরগদি হৌজিক লম্বী শেমদবগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাক্লিবসি খরমখৈ হন্থহনবা ঙমগনি। তঙাই ফদনা মেন্টিনেন্সকী শেনফম খরা লৈরগদি নোংজু থা মতম ওইরগসু নোং হাংলকপা মতম য়েংলগা কোক্কুৎনা গাড়ী থৌবা য়াদবা লম্বী খরা অসি শেমজিল্লগদি মীয়ামদা হেন্না খূদোংচাহনগনি হায়জনিংই।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯊꯧꯔꯥꯡꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ

ꯇꯧꯒꯗꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯍꯟꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄ ꯆꯨꯃꯒꯅꯤ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ ꯵꯰ ꯑꯁꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯊꯧꯔꯥꯡꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯄꯥꯌꯈꯠꯅꯅꯕ ꯂꯤꯡꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯈꯔꯗꯤ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯈꯔꯅ ꯅꯥꯀꯣꯏꯅꯅ ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯏ꯫ ꯆꯍꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯚ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯃꯤꯐꯝꯗ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄ ꯕꯖꯦꯠꯇ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ ꯈꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯃꯃꯤꯡꯈꯛꯇꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯍꯥꯞꯄꯤ꯫ ꯍꯥꯞꯂꯤꯕ ꯁꯦꯟꯐꯝ ꯑꯗꯨꯁꯨ ꯆꯥꯎꯈꯠ ꯊꯧꯔꯥꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯇꯧꯗꯦ꯫ ꯁꯨꯞꯅꯇꯒꯤ ꯏꯃꯞꯂꯣꯌꯤꯁꯤꯡ ꯇꯂꯕ ꯄꯤꯅꯅꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯑꯃ ꯆꯂꯥꯏꯕꯗ ꯆꯪꯕ ꯁꯦꯟꯐꯝ ꯑꯗꯨꯈꯛꯇꯃꯛ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅ ꯃꯈꯣꯡ ꯵꯰ ꯄꯥꯟꯕ ꯒꯥꯔꯤ ꯑꯃꯗ ꯃꯈꯣꯡ ꯈꯔ ꯌꯥꯗꯕꯗꯒꯤ ꯁꯣꯔꯣ ꯁꯣꯔꯣ ꯆꯤꯡꯂꯒ ꯆꯠꯄꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒ ꯅꯛꯅꯕ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯒꯗꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯗꯕ ꯌꯥꯗꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ ꯈꯔ ꯍꯥꯌꯕ ꯇꯥꯔꯒꯗꯤ ꯆꯤꯟꯖꯥꯛꯀ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯀꯟꯖꯨꯃꯔꯁ ꯑꯦꯐꯦꯌꯥꯔꯁ ꯐꯨꯗ ꯑꯦꯟꯗ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯗꯤꯁꯇ꯭ꯔꯤꯕ꯭ꯌꯨꯁꯟ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ, ꯆꯈꯣꯛ ꯆꯠꯁꯤꯟ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯊꯣꯡꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯋꯥꯔꯛꯁ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ, ꯑꯅꯥ ꯂꯥꯌꯦꯡꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯍꯦꯜꯊ ꯑꯦꯟꯗ ꯐꯦꯃꯤꯂꯤ ꯋꯦꯂꯐꯦꯌꯥꯔ, ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯔꯣꯜ ꯁꯦꯝꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯍ꯭ꯌꯨꯃꯦꯟ ꯔꯤꯁꯣꯔꯁ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯧꯎ–ꯁꯤꯡꯎꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯁꯤꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯂꯣ ꯑꯦꯟꯗ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯉꯥꯛꯄꯗ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅ ꯆꯪꯕ ꯐꯣꯔꯁꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯑꯗꯨꯝ ꯃꯇꯝ ꯆꯨꯞꯄꯗ ꯂꯨꯝꯅ ꯂꯧꯕꯗꯧꯅ ꯇꯧꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯑꯇꯩ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯌꯥꯏꯐ–ꯊꯧꯔꯥꯡꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯌꯈꯠꯄꯗꯅ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯏꯆꯪ ꯆꯪꯗꯕꯗꯧꯅ ꯋꯥꯀꯠ ꯀꯌꯥꯅ ꯄꯤꯛ ꯊꯜꯂꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯃꯌꯥꯝ ꯑꯁꯤ ꯌꯦꯡꯂꯨꯔꯒ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯀꯔꯝꯕ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠꯇ ꯍꯦꯟꯅ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯒꯗꯒꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯗꯨꯅ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗ ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯝꯅ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯄꯤꯔꯤꯕꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯅꯤꯡꯊꯤꯖꯅ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯕ ꯉꯝꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃ ꯂꯩꯔꯕ ꯃꯇꯃꯗꯇ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯍꯩ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯆꯥꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯗꯨ ꯅꯇ꯭ꯇꯅ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤꯗꯤ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯦ, ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯕ ꯑꯣꯐꯤꯁꯤꯌꯦꯂꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯑꯀꯅꯕ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ ꯆꯪꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯈꯛꯂꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯃꯍꯩ ꯆꯥꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯔꯣꯏ꯫

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯥꯏꯔꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯅꯤ꯫ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯅꯣꯡꯊꯣꯝꯕꯝ ꯕꯤꯔꯦꯟ ꯃꯁꯥꯃꯛꯂꯁꯨ ꯅꯣꯔꯊ ꯏꯁ꯭ꯠ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯂꯒꯤ ꯃꯤꯐꯃꯗ ꯁꯦꯟꯠꯔꯦꯜꯂꯤ ꯁ꯭ꯄꯣꯟꯁꯔꯗ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯁꯤꯡꯗ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯀꯤ ꯁꯦꯌꯔ ꯄꯨꯊꯣꯛꯍꯟꯕꯤꯒꯅꯨ꯫ ꯱꯰꯰ ꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯱꯰꯰ ꯒ꯭ꯔꯥꯟꯠ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯅ ꯁꯦꯟꯇꯔꯗ ꯇꯀꯁꯤꯟꯈꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯁꯦꯟꯠꯔꯦꯜꯂꯤ ꯁ꯭ꯄꯣꯟꯁꯔꯗ ꯁ꯭ꯀꯤꯝ ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯆꯥꯗ ꯹꯰ ꯅ ꯁꯦꯟꯇꯔꯅ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯒ ꯂꯦꯃꯍꯧꯔꯤꯕ ꯆꯥꯗ ꯱꯰ ꯈꯛ ꯑꯗꯨꯅ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯅ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄꯅꯤ꯫ ꯁꯝꯅ ꯍꯥꯌꯔꯕꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯁꯦꯟꯇꯔꯅ ꯂꯨꯄꯥ ꯀ꯭ꯔꯣꯔ ꯹꯰ ꯄꯤꯔꯛꯄꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯅ ꯀ꯭ꯔꯣꯔ ꯱꯰ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯕ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯂꯨꯄꯥ ꯀ꯭ꯔꯣꯔ ꯱꯰ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯂꯤꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇꯕꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨꯑꯣꯏꯕ ꯊꯕꯛ ꯊꯧꯔꯝ ꯀꯌꯥꯃꯔꯨꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯗ ꯈꯨꯔꯧ ꯊꯥꯡꯍꯜꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯐꯃꯁꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯑꯦꯟ ꯕꯤꯔꯦꯅꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈꯤꯕ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅ ꯇꯥꯛꯂꯤꯕꯗꯤ ꯁꯦꯟꯇꯔꯗ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤ ꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯇꯁꯨ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯕ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤ ꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯂꯩꯔꯒꯗꯤ ꯑꯋꯥꯠ ꯑꯄꯥ ꯂꯩꯇꯅ ꯄꯥꯟꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ꯑꯗꯨ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯔꯦ꯫ ꯁꯦꯟꯇꯔꯅ ꯄꯤꯅꯤꯡꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯗ ꯁꯦꯜ ꯄꯡꯄꯤ ꯄꯤꯕ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯁꯦꯜ ꯄꯤꯗ꯭ꯔꯒꯗꯤ ꯐꯥꯏꯅꯥꯟꯁꯤꯌꯦꯜ ꯗꯤꯁꯤꯞꯂꯤꯟꯗ ꯑꯀꯥꯌꯕ ꯂꯩ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅ ꯂꯥꯌꯔꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯁꯦꯟꯇꯔꯒꯤ ꯁꯦꯂꯒꯤ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯤꯛꯅ ꯐꯪꯏ꯫ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯁꯤꯗ ꯄꯉ꯭ꯖꯅꯤꯡꯕ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯔꯤꯁꯣꯔꯁ ꯂꯩꯇꯦ, ꯂꯥꯌꯔꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯒꯁꯨ ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯊꯕꯛ ꯈꯔꯗꯤ ꯇꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯋꯥꯔꯛꯁ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯠꯀꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯁꯦꯝꯂꯤꯕ ꯂꯝꯕꯤ–ꯊꯣꯡ, ꯑꯅꯧꯕ ꯕꯖꯦꯠ ꯑꯃ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗ ꯅꯤꯡꯊꯤꯅ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅ ꯆꯍꯤ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯀꯤꯂꯣꯃꯤꯇꯔ ꯑꯁꯨꯛ ꯁꯥꯡꯕ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯊꯣꯡꯅ ꯑꯁꯨꯛ ꯁꯥꯒꯅꯤ꯫ ꯌꯨꯃꯅ ꯑꯁꯨꯛ ꯁꯥꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯆꯤꯡꯕ ꯑꯀꯛꯅꯕ ꯃꯁꯤꯡ ꯄꯤꯔꯒ ꯕꯖꯦꯠ ꯁꯦꯝꯂꯒꯗꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕꯗꯁꯨ ꯂꯥꯏꯒꯅꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯂꯒꯤ ꯆꯥꯗꯤꯡ ꯇꯧꯕꯁꯨ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯗꯨ ꯅꯇ꯭ꯇꯅ ꯕꯖꯦꯠꯇ ꯂꯝꯕꯤ–ꯊꯣꯡ ꯁꯦꯝꯕꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯁꯦꯜ ꯍꯥꯞꯂꯒ ꯆꯍꯤ ꯒꯤ ꯋꯥꯔꯛ ꯄ꯭ꯔꯣꯒ꯭ꯔꯥꯃꯅ ꯐꯝꯕꯣꯏ ꯐꯃꯗꯕꯣꯏ ꯇꯧꯔꯒꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯃꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯀꯠ ꯀꯌꯥꯃꯔꯨꯝ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯈꯔꯃꯈꯩ ꯍꯟꯊꯍꯟꯕ ꯉꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯇꯉꯥꯏ ꯐꯗꯅ ꯃꯦꯟꯇꯤꯅꯦꯟꯁꯀꯤ ꯁꯦꯟꯐꯝ ꯈꯔ ꯂꯩꯔꯒꯗꯤ ꯅꯣꯡꯖꯨ ꯊꯥ ꯃꯇꯝ ꯑꯣꯏꯔꯒꯁꯨ ꯅꯣꯡ ꯍꯥꯡꯂꯛꯄ ꯃꯇꯝ ꯌꯦꯡꯂꯒ ꯀꯣꯛꯈꯨꯠꯅ ꯒꯥꯔꯤ ꯊꯧꯕ ꯌꯥꯗꯕ ꯂꯝꯕꯤ ꯈꯔ ꯑꯁꯤ ꯁꯦꯃꯖꯤꯜꯂꯒꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗ ꯍꯦꯟꯅ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯍꯟꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯖꯅꯤꯡꯏ꯫

শ্রীরাধা জন্ম অমসুং শ্রী বামনাবতার

ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা, ককচিং খুনৌ

শ্রী রাধা জন্ম– নৃগ নিংথৌগী মচানুপা নিংথৌ সুচন্দ্র অমসুং পিদরশিংগী পূক্নিংদগী ফঙবা মচানুপী কলাবতী অনীসিনা গোপ মরক্তা বৃষভানু অমসুং কীর্তিদা ওইনা পোকখি। মখোয় অনীনা সুচন্দ্রকলাবতী ওইরিঙৈদা ব্রহ্ম কৌবা লাইবু মতম শাংনা নীংদুনা পেলহনখি অমসুং বর ওইনা ব্রহ্মানা “দ্বাপরগী অরোইবদা শ্রীমতী রাধারানীনা মখোয় অনীগী মচা ওইবীরসনু” হায়বীখি। অদুনা সূর্য্যদেবগী শক্তিসু বৃষভানুদা চঙখি। মতৌ অসুম্না গোলোক লীলাগী বৃষভানু অমসুং কীর্তিদাসু গোপ বৃষভানু অমদি গোপী কীর্তিদা চঙদুনা শ্রীরাধারানীগী অবতার তৌননবগী য়াওদবা য়াদ্রবা মচাক ওইখি।

কীর্তিদা রানীগী হকচাংগী কুচু নাপ হাইফেৎ মানবা খ্বাইনা উখি লোয়ননা গর্ভগী মওংসু মপুং ফারকপগী মতৌ উখি। মথং মথং লাংবন থাগী (ভাদ্রপদ) পানখৎলকপা নীপান্নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতমদা জগৎজননি শ্রীরাধারানীনা মীগী শক্তম লৌদুনা ফোঙদোকপীখি মদুদি মীওইবগী পোকপা হৌনবা নিয়মসিদি ওইখিদে, চাউখৎলম্বা কীর্তিদাগী পূক্তা অদুদগী অঙকপা ফঙনা নুংশিৎখক্তা খাইদোরকখি অদুগা অহল ওইবী মায়োক্নবী গোপীশিংদু অমুক্ত থেঙনদবা মতৌদুদা পুংঙক ঙক্লখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় পূম্নমক্কী মীৎনা থা কোটিবু হেন্না ইংনা ফজবী শ্রীরাধারানীবু কীর্তিদাগী নাক্তা লৈবা উখি অমসুং মতমদুদা আতিয়া পুম্বা ঙাইহাক্কী ওইনা মমখি। অঙাংগী শক্তম উবদা পূম্নমক ৰা ঙাংনখিদে, শুমহৎলবগুম্না লৈনখি। মায়কৈ পূম্নমক ঙাইহাক্কী মনুংদা শেংখি। মবেম্মা তাইবঙ মী ওইনা ফোঙদোকখ্রে খঙলবা মুনি মরিনা বৃষভানুগী য়ূমদা থুংলখি অমসুং তেঙবানবগী মমানি হায়না তাক্লগা অঙাং মমিংবু ‘রাধা’ অমসুং ‘রাধিকা’ হায়না থোনখি। মুনি মরিদুদি কাষভগী মচানুপা কষভাজন, ঋষিশৃঙ্গী, গর্গ অমসু দুরভাসা মখোয় অসিনি। মখোয় মরিমক শ্রীরাধারানীগী মীওই শক্তম অঙাংগী মওংদু উৎলিবদু পেন্না য়েংজরগা মাগী মাগী মফমশিংদা হন্নখি। দেবর্ষি নারদসু মবেম্মা অবতার তৌখ্রে খঙলবসু মফমদি খঙদবনা কোয়চৎ চত্তুনা থিখি। মমৈথংদা বৃষভানু গোপগী য়ূমদা লাকখি অদুগা গোপনা মচানুপা শ্রীদম্প তম্পাক্তা পমদুনা লৈরম্বা উখি। নারদনা অঙাংদু উবদা পি শীঙ্বমখৈ নুংঙাইজখি অমসুং ফোংনা “ হে গোপ নচানুপাসি শ্রীবলরামগী চান্নরবা মরূপ ওইগনি” হায়খি। নারদনা থিরিবদু ফঙদ্রবদা, শিদামগী মনাক্তগী লৈথোরকপা মতমদা বৃষভানুনা “মুনিবর ঐগী ইচানুপী অমা ফঙজবনি অদুবু মীৎতি পাংঙু হায়বা য়াদ্রে, অদুনা মীৎ য়াওদবী ওইগদ্রা হায়বগী অৰাবনা ঐবু পোত্থাহন্দ্রে” হায়না পাউদমখি। মহাক্না অঙাংদু উবমক্তদা খঙলে, শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং তঙ্খায় ওইবী, তাইবঙ পানবদা নুংশিবা তম্বীবা লাক্লিবী মবেম্মনি। বৃষভানুবু মপান্দা করিগুম্বা খরা লৌরুনবা থাদোকখ্রগা, মখূৎ লোন্নদুনা স্তুতি কৎখি, “ হে দেবী, নহাক্তি ব্রহ্মানি। ব্রহ্মাগী শক্তাকপা মরম অহুম শৎ চিৎ অনন্দ হায়বদুগী সৎনা সন্ধিনী শক্তি ওইবনি, চিৎ শক্তিনা পারা শক্তিনি, অদুনা আনন্দ শক্তিনা স্বাদিগী শক্তি ওইবীনি। সাস্বিৎ স্বাদিনী নহাক্তনি।” অসিনচিংবা খরা হায়রম্লগা অথোইবা ঋষিদু ৰা ঙাংবা ঙমখিদ্রে।

মতৌ অসুমনা নরদগী থৌইনশিন্দগী রাধারানীনা অহানবা মীৎ হেক পাঙবদা মবুঙোবু উগনি হায়বগী অকনবা তপস্যা তৌরিবী মবেম্মগী উৎকন্ঠাবু যশোদা রানীগী পূক্নিংদা চঙদুনা পোৎয়েংবা শারগা মপুং ফাহনখি।

ৰাহম্বোক–শ্রীরাধা শ্রীকৃষ্ণগী মবেম্মনি, শ্রী কৃষ্ণ রাধারানীগী মবুঙোনি। রাধাকৃষ্ণ অনী লুহোংবগী ৰাফম গর্গসংহিতাদা হায়। নোংমা নন্দবাবানা মচাবু মথাদা কোন খূৎনা তপ্পা নানদুনা ভাগীরবন্দা চঙখিরম্মী। মফমদু ইখঙ খঙহৌদনা মায়কৈ পূম্বা মহাক্কী মঙালনা মমহনবা শ্রীরাধারানীগী মপুং ফারবা শক্তম উরম্মী। নন্দবাবা পুমঙক ঙকখি। মঙোন্দগী শ্রী কৃষ্ণ লৌখি, হেক লৌখিবগা কৈশোর রক্ষগী শক্তম ওইখ্রে। ব্রহ্ম কৌবা লাইনা শ্রীশ্রী রাধাকৃষ্ণ অনী লুহোংখি। দেবতা পুম্বনা জয়কার লাউখি। ঙাইহাক্কী মতুংদা পূম্নমক মাঙখ্রগা মচা মদনগোপাল পমদুনা লৈরমখি। পুমঙক ঙকখি।

শ্রী কৃষ্ণনা মীগী শক্তম লৌরগা শান্নরিবা লীলাসি চহী ১২৪ হেল্লি। চহী ৭ তগী চহী ১০ খরা হেনবা ফাওবা বৃন্দাবন্দদা শান্নে। অদুদগী মধুপুরদা অদুগা অমুক দ্বারকাদা লেঙখ্রবনি। দ্বারকাদা রুক্মিনীনচিংবা ইবেম্মশিং লুহোংখি। শ্রীরাধাদি শ্রীকৃষ্ণ কায়নবা নুমিত্তগী য়ূমদা চঙখিদে। বন্দা লৈখি। অদুবু কনানসু রুক্মিনী কৃষ্ণ হায়না অমুক্তা শোন্দে, রাধা কৃষ্ণ খক্তা শোল্লি। মরম অসিনা শ্রীরাধাবু শ্রীকৃষ্ণনগা তোঙানবা ওইনা খঙবা য়াদে।

শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণদা নুংশিবদি “নুংশিবগীদমক নুংশিবনি” অপাম্বগী, লনগী মিংচৎকী, য়াইফনবগী নৎত্রগা অতৈ মরম অমগীদমক নুংশিবা নত্তে” হায়বসি ৰাফমসিনা অদুম উৎলবনি। অদুম ওইনমক শ্রীকৃষ্ণদা শ্রীরাধানা নুংশিবসি মরমগী ৰাংমদনি হায়বগী ৰারী অমা খ্বাইনা লীনৈ। মদুদি

দ্বারকাগী ইবেম্মশিংনা শ্রীরাধাগী শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা প্রেম খঙনিংবদু নোংমা শ্রীকৃষ্ণদা হংজখি। ভগবান্না নোকফেৎ তৌরগা পাউখুম পীখিদে। মখা তানা হংনখিদে। মতম খরা লৈরগা শ্রীকৃষ্ণ ইখঙ খঙহৌদনা সনা হকচাং ঈখি। অখঙ অহৈ, মাইবা–মাইবী পূম্বা তৌফম খঙখিদে। করি লায়নানো হায়বা ফাওবা খঙবা ঙমখিদে। পূম্নমক শ্রীকৃষ্ণ স্বর্গহরন ওইরনি খন্নখি। ইবুঙোগী ফিভম অসুম শোকচিল্লকখি। কনাগুম্বা মাইবা অমা, “দ্বারকাগী মবুঙো হকচাং ঙমদে হায়, ঐ মাইবনি, অমুক্তা য়েংজগে” হায়না হায়রকপদা খ্বাই পুম্বা অনৌবা আশা অমা লাক্লখি। ” হীদাক তাকপীয়ু কন্না তকশিল্লকখি, আশা লৈরুদ্রবীশিংনা মাইবনা “হীদাক মমলয়াম্বা অদুগা অতাংবা নত্তে, তৌবতদি মপুনা পীবিয়ু য়ারোইদবগী ৰাতনি” হায়খি। ময়াম্না কন্না তকশিল্লক্লবদা মাইবনা, “শ্রীকৃষ্ণবু থম্মোই শেংনা নুংশিবা মী অমগী খুয়াগী উফুল অমসুং মখোঙ চাম্বগী ঈশিং– অনীসি পীবিয়ু। উফুলদু শ্রীকৃষ্ণগী কোকথক্তা হাপকনি, খোঙজুমদুনা খরা থকহনগনি। অদুম তৌরবদি খুদক্তা ফগনি’২ হায়রম্মী। ইবেমমশিংদু শ্রীকৃষ্ণ শিবদি পামদে হায়ববু মখোয়গী মখোঙগী উফুল অমসুং ঈশিং পীথক্তুনা মশাগী পাপ তানশনবসু পাল্লমদে। মরম অদুনা মদু পীবা ঙম্বা ভক্ত থিবা তাখি। নারদনা থৌগাইদু লৌরম্মী। মফম খূদিং চত্তুনা প্রভুগী ভক্ত কয়াদা ৰাদু হায়রুবদা কনা অমত্তনা য়াখিদে। মমৈথংদা শ্রীধাম বৃন্দাবন্দদাশ্রীরাধারানীগী নাক্তা নারদ য়ৌখি। পাউদু তাবদা ইবেম্মনা চিংনবা লৈতনা উফুল অমসুং খোঙজুম পীখি, মদুদা নারদনা “ইবেম্মদি পাপ কিদরবরা হংলুবদা “হে ঋষি, ঐনা কৃষ্ণ নুংশিবদি ইশাগী নুংঙাইবগীদমক নত্তে, ইবুঙোগী নুংঙাইবীনবগীদমক্লি। মহাক্নবু নুংঙাইবীগদবা লৈরবদি ঐগীদি মখল কয়াগী নরক্তা তাবদা করিসু চিংনদে” হায়না পাউখুমখি। মসিনি নুংশিবগীদমক নুংশিবা হায়বদু।

রাধা হায়বসি রাধা আধার ধারা অমসুং আরাধ হায়না ময়েক মরিনা শাবা মিং অসি ময়েক অমমনা হৌরগা ৰাহৈ মরি থোকহনবা য়াই। রাধা হায়বদি লেপ্তনা উংদুনা লৈববু খঙই। প্রকৃতিসিমক লেপ্তনা উংদুনা লৈবনি। আধার হায়বনা য়ুম্ফম জগৎসিগী য়ুম্ফমবু খঙনৈ। ধারানা পুবা অদুগা আরাধনা নীংবা হায়। মরম অসিনা তেঙবানবা মপুগী থবক তৌনবগী শক্তি ওইবদু রাধানি।

রাধা কৃষ্ণ হায়বসি শেনয়েক অমগী মমায় অনীনি। অমা য়াওদবদা লৈতবগীগা চপ মান্নে। রাধা য়াওদনা জগৎ শেম্বা য়াদে, য়োকপা য়াদে অমসুং লোইশিনবসু য়াদে। রাধা কৃষ্ণ হায়রগা নুপী–নুপা ওইনা অমসুং মীগুম্না য়ুম্বান লম্বেন চৎপগুম্না খনবদু চুমদে। গৌর সম্প্রদায়দা রাধা কৃষ্ণবু শক্তি অমসুং শাস্ত্রগী মশক ওইনা লৌই। ভুগোল তম্বীবা ওঝানা লৈই খরনা চীং, পাৎ, তুরেলনচিংবনি খলহল্লগা অঙাংবা জ্ঞান হাপ্পগুম্না রাধা অমদি গোপীশিংগী মিংথোলদা জীবনা ব্রহ্মাদা কমদৌনা ফঙগদগে তাকপা অঙকপা অধ্যামগী বিস্বনি। জয় রাধে। মঙোন্দা চঙদনা শ্রীকৃষ্ণ ফঙবা ঙম্লোই। প্রকৃতি য়াওদনা পুরুষ ফঙবা ওইথোক্তে।

বামনাবতার ঃ দশাবতারগী মনুংদা ৫শুবা অবতার ওইরিবা শ্রীবামন দেব লাংবনগী ১২ নি পানবদা অবতার তৌবীখি। মতিক লৈবা, ফজরবা ব্রহ্মচরীগী ফিজেৎ শেৎপা অমা বালি মহারাজগী নাক্তা চঙলকখি। অঙাংদু উবদা বার্লি মহারাজ শুক্ষৎখিরম্মী। মহাক্না গুরু দক্ষিনাগীদমক লাকপা ব্রহ্মচারী ওইনা খনখি। মহাক্না তরাম তরাম্না কৌশিল্লগা ইকায় খুম্না অমসুং নুংশিনা করি পাম্বগে হংখি। ব্রহ্মচারিনা খুমখি, “হে নিংথৌরেল, ঐনা ইচম চম্বা পোৎ অমত্তং নিজগে লাকচবনি, পীবিগনি হায়না থাজে। ” মহাক্কী ৰাঙাংদা অমুক হেন্না শুক্ষৎখ্রবা বালিনা শোয়দনা পীগনি হায়খি। মনাক্তা লৈরিবা গুরু শুক্রচার্যনা, “হে নিংথৌ লাক্লিবসি বিষ্ণু ভক্তনি, অঙাং শাদুনা নহাকপু লৈখা তানবা শীনবা লাকপনি। মহাক্তি লাইগী মীচঙনি, অদুনা পীগনি হায়বদু হন্দোকউ’ হায়খি। বালিনা য়াখিদে। শুক্রচার্য্যনা “জ্ঞান তাদনা হায়খিবা, লুহোংবদা অঙনবা গুরু, ব্রাহ্মন অমসুং ষণবী কন্নবগীদমক হায়বা, ইশা মাঙলনি খঙলবদা হায়বা, নুপী থেম্বদা হায়খিবা ৰা, পোৎ মমল হুনবদা হায়বা ৰা হোংদোক হোংজিন তৌবগী দোষ লৈতে” হায়না তাক্লবসু বালিনা য়াখিদে। মহাক্না দান তৌরগে হায়না ঈশিং হৈরম্মী। পীক্লবা শক্তমদুনা মাগী খোঙকাপ অহুমগী লম পীয়ু হায়খি। বালিনা করিমত্তা চিংনদনা দান তৌরে হায়খি। খুদক্তা ইখঙ খঙহৌদনা শক্তম অদু খঙচাউ চাউখি অমসুং খোঙকাপ অমদা পৃথিবী পূম্বা মহাক্না থুংহনখি, অনীশুবা খোঙকাপ্না স্বর্গ পূম্বা থুংখি। অহুমশুবা খোঙকাপ অদুগী মফম পীনবা হায়রবদা বালিনা মকোক্তা নেৎপীনবা হায়জখি। অদুমক পাঙথোকখি। বালি রনাজন তানা নেৎথখি। মসিনা শল্লপ্পা ৰারীনি।

ৰারীসিনা করি তাকপগে হায়বদু খন্থফম থোকই। মরম চাবা হায়বসু লৈ। পৃথিবী অমসুং স্বর্গ পূম্নমক খোঙকাপ অনীদা ওনখ্রবদি বালি কদায়দা লেপতুনা লৈগদগে হায়বগী ৰাহং লাকই। মসিনা তাক্লিবদি মীওইবগী পূন্সিদা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অহুম অসি ফঙলগা লোইবা য়াদে, মোক্ষ ফঙদবা য়াদে। ধর্ম্ম কায়দবা বালিনি, পূম্নমক্না মহাক্কী ধর্ম্ম কায়দববু খঙই। স্বর্গ ফাওবা মাগী ওইরবা বালিগী লন–থুম করিসু ৰাৎত্রে। মচা মশু নচিংবা লৈরবা বালিদা কাম ফঙলে হায়বা চুপ্লে। অদুনা মঙোন্দা মোক্ষ পীফম থোক্লে। মশানা ফঙনবা হোৎনগদবদু মহাক্না সত্য ওইরবনা হোৎনবা ঙমদ্রে। নুংশিবা অঙাংগী ফুরিৎ অহলনা লৌথোকপীবা কায়দে। অদুনা মোক্ষ হায়বদু পীবা তারবদি ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অহুম্মক থাদোক্ত্রবদি য়াদে। ধর্ম্ম হায়বসি লম ফঙনবা, পাপ য়াওদনা লন ফঙনবা পাম্বৈনি। লন হায়বসি অৰাবা য়াওদনা মচা মশু শন্দোক্লনবা পাম্বৈনি। ধর্ম্ম য়াওদনা তানবা লনদগী নুংঙাইবা ফঙদে, নুংঙাইতবা, তং তাদবা পূন্সিনা মচা মশু শেম্বগী শক্তি লৈতে। অদুনা ধর্ম্ম, অর্থ অমসুং কাম হায়বা অহুমসি পোকপা শিবগী হঞ্জিন হঞ্জিন তাবা মতৌসিদগী নাম্থোকপা (মোক্ষ) ফঙনবগী পাম্বৈনি। ঈপাক লান্নবগী পাম্বৈদি অসিনি। মরম অসিনা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম কৌবা অচৌবা খোঙকাপ নৎত্রগা থাক অহুমসি থাদোক্লবগী তুংদা ফঙগদবা মোক্ষ পীবগী ৰারীনি বামন অবতারগী ৰারীসি। কনাগুম্বা ইনাক খুনবা মী অমা নাম শোল্লুবদগী নংখিবা খূদোংথিবা য়াওদবা নত্তে। মদুবু নীংবদগী ফঙবা অৰাবা নত্তে, অথোইবা অমা পীবিনবগীদমক্লি হায়না খন্থগদবনি। ওঁ তৎস্য।

ধর্ম্ম অমসুং বেদান্ত

স্বামী শিবানন্দ সরস্বতী

ধর্ম্ম হায়বদি ঈশ্বর থাজবা অমসুং লাৎচবনি। মসি ক্লবনচিংবদা খন্ন–নৈননবা থম্বা ৰাফম নত্তে। মসিদি ইশাগী অত্মাবু মপুং ফাহঞ্জবনি। মসিদি মীওইবগী নুংদা খ্বাইদগী হেন্না ওমচাক্লনা পামজরিবা অপাম্বা অদু মপুং ফানা ফঙবদুনি। ধর্ম্ম হায়বা অসি ইরাৎ থৌনী পুজা নুংজা অদুগী ৰাংমদা লৈবনি। ধর্ম্ম হায়বসিদি কোক, থম্মোই অমসুং পূক্নিং অহুম্মকপু হায়বদি মী অমবু মপুং ওইনা চাউখৎহনবা অদুনি। মদুতদা মপুং ফাবা হায়বদু ফঙ্গনি। নাকল নাম্মতা য়েংবা মীৎয়েং অদু মফম অসিনা হায়নিংদে।

মীওইবনা ঈশ্বরগী মরী অসিবু নীংথিনা খঙবা হায়বসি মী পূম্নমক্কী য়াম্না হেন্না মরুওইবা অমনি। দার্শনিকশিং, সাধুশিং, মুনিশিং, মায়চৌশিং, আচার্যশিং অমসুং ধর্ম্ম গুরুশিং কয়ানা পৃথিবী পূম্বগী মীয়ামদা ঈশ্বর অমসুং মী সংসার অমসুং মীগী মরক্তা লৈবা মরীশিং অসি খঙহন্ননবা হন্না হন্না হোৎনরক্লি। দার্শনিক কয়া কয়ানা মাগী মাগী ৰাখল মতুং ইন্না তাক্লম্বা ধর্ম্মগী ৰাখল্লোনদগী দর্শনগী লম্বী অমসুং ধর্ম্মগী পথাপ কয়া মথং মথং থোরকখ্রে।

বেদান্তনদি ধর্ম্ম পূম্নমক কোনশিল্লি। মসিগী মনুংদা পূম্নমক অরান খুবম ফঙবগী পন্থুংদা চৎলি হায়না থাজে। মী খুদিংমক অরান খুবমগী লম্বীদা চৎলিবনি। ধর্ম্ম থাজদবা মী, মপান্থোংগী পোত্তা উবা মীওইশিং অসিচিংবা ঈশ্বরবু য়াদবা কাঙবুমকসু খাকপা নত্তে। মরমদি, বুদ্ধি শীজিন্নদুনা পূক্নিংগী কাখলশিং শেমগত্তুনা নৈরগা লমচৎ ফজবা অমসুং ধর্ম্মগী ৰাফম কয়া নৈনিংদবা মীশিং অমদগীদি মখোয়না য়াম্না হেন্না অরান খুবমগী লম্বী অমসুং মীওইবগী চাউখৎ য়াওনগী মরমদদি মখোয়না হেন্না ফনা য়াম্না খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনখ্রে। বেদান্তনা ঐখোয় পূম্বা অমত্তনি হায়বা অসি উৎলি। বেদান্তনা কনাবুসু জাতি ধর্ম্ম অদুদগী অদুদা ওল্ল হায়না তাক্তে। বেদান্তনা মী অমনা মীওইবগী চাউখৎলকপগী করম্বা থাক নৎত্রগা কাঙলূপ্তুগী লাকচসনু মহাক মশানা মশাবু চুমথোকচবা অমসুং অচুম্বা হায়বদু ফঙননবা হোৎনবদা চোকথবা নাইদবা মহোৎনদুদা চৎচনবা কননা তাকপী।

বেদান্ত হায়বসি পূন্সিবু মপুম তাশিলহনবা নৎত্রগা নুংগী পূন্সিবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবদুনি। মসিনা লনাই পূন্সিবু থোইরেন থোইবা মপু মহাক্না অমত্তনি হায়বদু তাকই। হিন্দু, মহম্মদন, কেথোলিক, প্রোটেষ্টেন্ট, আইরিস মেন, ইংরাজি, জৈন, পার্সি পূম্নমকপু পুনশিল্লহন্দুনা অমত্তা ওইবা ঈশ্বর আত্মা অদুগী মফমদা পুনশিনবা ঙম্বা দশন্দি বেদান্তখক্তনি। তোঙান তোঙানবা জাতিশিং অমসুং কাঙলূপশিংগী মরক্তা, মখল কয়াগী য়ৈখায়নরিবা, কায়নরিবা অমসুং মচেৎ মচেৎ তানরিবা পূম্নমক বেদান্ত দর্শনবু নীংথিনা খহলবা অমসুং মসিগী মতুং ইন্না হিংলবা অদুতদা হায়খ্রিবা পূম্মক অসি কোক্কনি।

সংসার অসিগী এতোম পূম্নমক্কী মনুংদা তুংদুনা লৈরিবা লাইওইবা পূন্সি (অধ্যাত্মিক জীবন) অদুগী মীওইবা পূম্নমক্কী থম্মোইনুংদা লেঙদনা লৈ। ককচেং অমগী আত্মা অদু মী অমগী আত্মাসু ওই। পাপী অমগী আত্মা অদু পুন্য চেনবা অমগী আত্মাসু ওই। চাক্লিবা অমগী আত্মা অদু অচৌবা নিংথৌরেন অমগী আত্মাসু ওই। হিন্দু অমগী আত্মা অদু মহম্মদ অমগী আত্মাসু ওই। প্রকৃতিগী অরোইবা ঙমখৈগী অচুম্বদু মী অমগী অরোইবা পূন্সিগী ঙমখৈদা চুম্লবদুগা অমত্তা ওই। নঙগী পূন্সিগী পন্থুংদি নঙগী নুংগী বুদ্ধিগী শক্তিনা আত্মাবু মশক খঙবা হায়বসিনি।

পূম্নমক্কা নঙগা অমততনি হায়বসি পূক্নিংদা ফাওবা ঙম্মু। নুমিৎ অতিয়া, নুংশিৎ, লৈ, উ–ৰা, উচেক–ৰায়া, শা–ষণ, নুং, তুরেল, মহাসমুদ্র অসিনচিংবা পূম্নমক অসি নঙ নশামক্লি হায়বা পূক্নিংদা ফাওবা ঙম্মু। পূন্সি হায়বসি অমত্তনি তাইবঙসি অমত্তনি হায়বসি খঙবা তম্মু। জীব পূম্নমক্তা, শা–উচেক পূম্নমক্তা অমসুং উ–ৰা পূম্নমক্তা, মফম পূম্নমক্তা ওইবা আত্মানা লেঙদনা লৈরিবদু উজৌ।

শা–ঙাদি মীগী চীঙ্গাক নত্তে

মোইরাংথেম নিংথেমজাও সিংহ

চীঙ্গাক্লা লৌশিংগী মচু শঙই। নমথি–হাথি, অপুম–আশা চাবা ক্লাক্লা পঙই। হৈনৌ মপাল চুপ্পা অশেংবা উহৈ চাবা কোকিলনা শিংই। মরম অসিমক্না অপঙবা ক্লাক্লা অশিংবা কোকিলগী মচাবু অরেম্বদা য়োকই। নমথি হানৈবা অমাং অশোই, অপুম অরাক্লা চীঙ্গাক ওইবা হয়িংবু কনানসু অচা পোত্তা তোংহন্নিংদে। লায়না পোক্লফম ওইবা মাবু কনানসু পান্নদে। অদুগা লৈহী লৈরিক, অথুম অহাওনচিংবা অশেংবা পোৎনা চীঙ্গাক ওইবা হয়িংখোইশিংদি মখোয়গী মপুক মনুংদা য়োৎশিল্লুবদগী ওথোরকপা খোইহিবু জগৎনা অমৃতনি হায়না অশেংবা ওইনা পাম্না শীজিন্নরি। মথি ময়ুং, খোইরু খোইরা ফাওবা মীওইবগী দরকার ওইবা হিদাক্লচিংবা থবক মরম কয়াদা শীজিন্নরি অমসুং পুজা তৌবগুম্না লুনা য়ূমদা য়োক্নরি।

চীঙ্গাক্কী মতুং ইন্না পৃথিবীগী মী অসি কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। নিরামিষ মনা মশিং উহৈ–ৰাহৈনা চীঙ্গাক ওইবা। আমিষ শা–ঙাগী শদুম শদোং চাবা কাঙলূপ।

শা –ঙাগী শদোং রাজসিক অমসুং তামসিক আহারনি। শা–ঙাদি শা ঙাগী চীঙ্গাক্লি। মীওইবা ঐখোয়গী চীঙ্গাক নত্তে। মীওইবনা শা–ঙাগী শদুম চারবদি চীঙ্গাক্লা পূক্নিং, হকচাং, ৰাখল শেমখিবা মরম্না হকচাং অদু শা–ঙাগী ঈচেল চেনগনি অমসুং পূক্নিং ৰাখলনচিংবা শা–ঙা গী গুন চেনগনি। জগৎনা পাম্নরবা শান্তি অদু মীওইবনা শা–ঙা চারীবা মখৈ পুরকপা ঙম্লোই। ফংঙমদ্রবা মীওইবগী মপোক্তা পোক্লগা শা–ঙাগী গুনদা অমুক হায়থবদি জীবা পূম্নমক্কী নিংথৌরেল ওইরিবা মীওইবগী গুন নত্তে। য়ু থক্লিবশিং অসি শা–ঙা চাবা মীগী মরক্তগী ঙাক্তা ওই। শা–ঙা চাবা মীশিংতনা অয়াম্বা অতোপ্পা নেশাশিং শীজিন্নরম্মী। মীহাৎ–মীপুন, খৎন–চৈনবা মখোয়গী মরক্তা য়াম্না হেন্না থোকই। পৃথিবীগী শান্তি থুগায়বা পূম্নমক মতম পূম্নমক্তা শা চাবা, য়ু থকপা, নেশা য়াম্না শীজিন্নবা মীশিং, দেশশিংতনা হৌরকখি। শ্রীএ বি ড্যাবিজ, গোসপেল, খৃষ্টান, এসোসিয়েসন ইন্সটিট্যুট হেমিলতোন্না হায়, “শদোং চাবা নৎত্রগা শদুম চাবা অসি কন্ত্রা বাইওলোজিকেল (চাউখৎলবা জীবগী) দাইট নত্তে। থোইদোক্লা মীওইবা জাতিগী লৈখা তাননবা অচৌবা ফেক্টর অমনি...” ইংলেন্দগী ফাওরবা জজ বনার্থ শোনা হায়খি ঃ “মীওইবনা শা–ঙাশিংবু ওৎপীরিবা অমসুং হাত্তুনা মখোয়গী শদোং চারিবমখৈ ঐখোয়না লাল তৌখিগনি।” তশেংবমক শা ঙা চাবা হায়বসি থৌজালগী ৰাংমদা তমথিবগী শাজেল অমনি। তমথিবা হায়বা অসি পৃথিবীগী অফাওবা অমসুং অচৌবা মীশিংগী ওন্ন–তৈনবা গুণনি। পাইঠাগোরাসনা শা ঙানা চীঙ্গাক ওইবা অসি পাপনি হায়না থিংলম্মী। শা হাৎপা হিংশাবাদীশিং অমসুং মরাল লৈজদ্রবা জীবশিংগী শদোং চাবশিংবু পৃথিবীগী ৰাখল খন্থবা অফবা নুপা নুপী পূম্নমক্না তুক্কৎচৈ। সমাজদা শা চাবা মরক্তগী লমচৎ ফজবা খক থোরক্তে। ঙসিগী চাউখৎলবা জগৎতা শারেনশঙ থমদুনা শদুম য়োনবা অসি চাউখৎপা অমসুং কলচরদা ইকায় খুম্নদবগী ময়েক লারবা খুদমনি।

মরম খুদিংমক্তা শা চাবনা শোখৈ ঃ কনাগুম্বনা হায়নৈ, শা চাবা হকচাং ফৈ, পাঙ্গল কল্লি, বুদ্ধি লৌশিং চাউখৎলি। মসি অরানবা অমসুং খঙবা ৰাৎপগী দোষনি। শা চাবা জীবশিংনা তমথিবনচিংবা ফত্তবা গুণশিংদা হেনবা নত্তনা মনা মশিং চাবা জীবশিংদগী অফবা গুণ পূম্নমক্তা হেন্ননবা মরম করিসু লৈতে। শদোং চাবা কৈ, নোংশানা হাজং চাবা শামুদগী কনবা চাউবা অমসুং পূন্সিবা করিসু হেন্দে। শাহিং চাবা জীবশিংগী মরক্তা উহৈ–ৰাহৈ চাবা য়োংগুম্না শিংবা য়াওদে। অতোপ্পা শা চাবা জীবা পূম্নমক নাপী চাবা ষণগুম্না অখাং কনব অমসুং মপুক তপ্পা খক ঙমদে। শম্না হায়রবদা শদোং চাবশিংদগী নিরামিষ চাবা পূম্নমক্না মরম খূদিংদা হেল্লি হায়বগী খুদম ৰাৎকদবা লৈতে। মীওইবদা য়েংলবসু মদু মঙাই ভারতকী মনুংদা কনবা চাউবা পঞ্জাবীশিংনা হেল্লি, লৌশিংদসু খা ভারতকী মাদ্রাজিশিংনা ভারত পূম্নমক্তগী হেল্লি। ধর্শন্দা, সাইন্সতা, জ্ঞান্দা, পূম্নমক্তা শা ঙা চাদবনা হেল্লি। হকচাং শাজেল তৌবশিংগী মরক্তসু হামেং, য়াও চাদুনা হোৎনবশিংনা রাম মুর্ত্তিগুম্না কনবা কনাসু য়াওদ্রি। ডা. এম দি সেলমননা মাগী হেলঠ এন্দ লোনজেভিটি কৌবা লাইরিক্তা পীরি ঃ অমেরিকাগী হকচাং শাজেলগী স্কুলদা শা ঙা চাবা ছাত্রশিংগা মনা মশিং চাবা ছাত্রশিংগা হৌগৎ ফমথ অমসুং বুকদন তৌদুনা পাঙ্গলচাং য়েংনখি, অদুদা শা ঙা চাদবা কাঙবুনা শরূক অনী অনী হেন্না খাঙখি। পূম্নমক অসি খঙলবদা শা চাবা থাদোকপা ঙমদবশিংনা থাদোক্লবা উপায়দি থিদ্রদুনা শা ঙা চাবনা হকচাং ফৈ হায়না প্রচার তৌবা অসিদি জাতিগী মথক্তা অচৌবা মীনম্বা অমনি।

থাজবা

কল্লক মীহৌবনা ইনশিনবা

দ্রৌপদি পান্দবতা লুহোংখ্রে হায়বা পাউ ধৃতরাষ্ট্র য়ৌরে। ধৃতরাষ্টনা মাগী অশেংবা ৰাখল বীদুরদা হায়দোক্লিংদে। অদুনা মানা নুংঙাইরে হায়শিন্নৈ। ধৃতরাষ্ট্রগী পূক্নিং অসি পুখ্রি অমগুম্মী, ঈমায়গী ঈশিংদু অশাবা কালেনগী মতমদা শাগনি অদুগা মখাদা মনুংদদি ইংদুনা লৈগনি। ধৃতরাষ্ট্রনা পান্দবপু লূনা তৌবা মালহনগনি অদুবু অশেংবদি য়াম্না শাওই মরমদি পান্দবপু মহাক্না কল্লক খম্বল্লি হায়না ভি এস করুনাকরাচারিয়রনা খন্ন–নৈনবা অমদা হায়খি। বীদুরনা চৎখ্রবা মতুংদা ধৃতরাষ্টনা মাগী অনিংবদু ফোঙদোরকই। ভীষ্মনা হায়, ধৃতরাষ্ট্রনা লৈবাক অদু মানা ফঙফম থোকই হায়বগুম পান্দবনসু লৈবাক অদু মখোয়গীনি খল্লি। ভীষ্মগী ৰাখন্দদি ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংগা পান্দুগী মচাশিংগগী মরক্তা খেন্নবা লৈতে খল্লি। মরম অসিনা মাগী ৰাখলদি লৈবাক তঙ্খায় অমা দুর্যদ্ধনদা পীবা অদুগা তঙ্খায় অমনা যুধিষ্ঠিরদা পীবা হায়না পাউতাকপী। ধৃতরাষ্ট্রনা মথংদা দ্রোনগী পাউতাক হংই। দ্রোননা হায়, অর্জ্জুনবু লান্দা মায়থিবা পীবা ঙম্লোই।

কর্ণগী পাউতাকতি ভীষ্ম অমসুং দ্রোন অনীগী মায়োক্তনি। মহাক্না ধৃতরাষ্ট্রদা অচম্বা নিংথৌ অম্বুভীবাগী ৰারী লীখি। নিংথৌ অদুনা লৈবাক্কী ৰায়েন বীচারদা পূক্নিং চঙলমদে। মহাক্কী মন্ত্রী মহাকর্ণনা লৈবাক্কী থবক লোয়না পুরম্মী। অদুফাওবদসু মহাক নিংথৌ ওইবা ঙম্লমদে। মরম অসিনা কনাগুম্বা অমনা শক্তি পায়বা নৎত্রগা পায়দবা হায়বসি লাইবক্কী ৰানি, অদুনা ধৃতরাষ্ট্রনা পান্দবকা লান তৌনবগী মতাংদা খল্লুফম থোক্তে। বীদুরনা হায়, ইবুংঙো কৃষ্ণনা পান্দবগী মায়কৈদা য়াওবনা পান্দবপু মায়থিবা পীবা ওইথোক্তে। অদুনা মতাং অসিদগী ঐখোয়না খঙই মদুদি ধৃতরাষ্ট্র, দুর্যদ্ধন অমসুং কর্ণ, মখোয় অহুম্মক কল্লক মীহৌবনা ইনশিল্লি। বীদুর, বীস্ম অমসুং দ্রোনগী মমল য়াল্লবা পাউতাক অদু কল্লক মীহৌচাউবা ধৃতরাষ্ট্রনা লৌখিদে।

কর্টেসিঃ ডি হিন্দু ,

মণিপুরীদা– ব্রহ্মচারিময়ুম অচৌবা শর্ম্মা